# সাউথ চাইনা সিগী দিসপ্যুটতা চেকশিন্নবা বৈজিংনা ওষ্ট্রেলিয়াদা ৱার্নিং তৌখ্রে



বৈজিং, ওক্টোবর ১৩ :
সাউথ চাইনা সিগী মতাংদা লৈরিবা লমগী চয়েৎনবগা মরী লৈনবা ৱাফমশিংদা চেকশিন্না ঙাঙনবা অমসুং থবক তৌনবা চাইনানা ওষ্ট্রেলিয়াদা তকশিনখ্রে। বৈজিংদা খোঙচৎ অমা লাক্লিবা ওষ্ট্রেলিয়ন দিফেন্স ফোর্সকী মকোক্তা চাইনিজ সিনিয়র ওফিসল অমনা হায়খি মদুদি, ইস্যু অদুগী মতাংদা কানবেরানা ৱাহৈগা থবক্কা চানরক্কনি হায়না মহাক্না থাজে।

কানবেরানা ৱাশিংটনগা নকশিন্নবা অমসুং কন্না কন্টেষ্ট তৌনরিবা ঈশিংগী মফম অদুদা য়ু এসনা চথরিবা নিংতম্না নেভিগেসন তৌবগী থৌওংবু শৌগৎপদগী য়েৎনবা অদুদা বৈজিং অমসুং ওষ্ট্রেলিয়াগী মোতশিং মান্নদ্রি।

অদুম ওইনমক য়েৎনরিবা ঈশিংগী শরুক অদুদা ওষ্ট্রেলিয়ানা মশাগী ওইবা ৱারেপতা নিংতম্না নেভিগেসন তৌবদি লৈত্রি, হান্নদগী হৌনা সাউথ চাইনা সিদা নেভিনা চাং নাইনা ভেসেলশিং থৌবদি লৈখি হায়না থাজনরি।

চাইনাগী দিফেন্স মিনিষ্ট্রিনা য়ুমশকৈশগী অথেংবদা (ওক্টোবর ১২) হায়খি মদুদি, চাইনাগী সেন্ট্রেল মিলিটরি কম্মিসনগী ভাইস চ্যেরমেন ফান চাংলোংনা ওষ্ট্রেলিয়াগী এয়র চীফ মার্সেল মার্ক বিনস্কিনগা উনখ্রে অমসুং হায়খ্রে মদুদি, অফবা অমসুং ষ্টেবল দিভলপমেন্ট অমগীদমক্তা বৈজিংনা লৈবাক অনীগী মরক্তা মিলিটরি মরীশিং মপাঙ্গল চেৎশিলহনবা পামই।

‘সাউথ চাইনা সি ইস্যুদা ওষ্ট্রেলিয়াগী মায়কৈদগী চেকশিন্না ৱা ঙাঙলক্কনি অমসুং থবক তৌরক্কনি লোয়নননা লৈবাকসিগী ৱাহৈগা থবক্কা মান্নরক্কনি হায়না চাইনানা থাজে হায়না রোইটর্জনা দিফেন্স মিনিষ্ট্রিগী ৱারোল পল্লদুনা হায়খি।

বিনস্কিন্না মহাক্কী পাউখুমদা হায়খি মদুদি, কানবেরানা কম্ম্যুনিকেসন ফগৎহনবা অমসুং বৈজিংগা মিলিটরি কোওপরেসন পাকথোক চাউ-থোকহনবা পামই। মসিগা লোয়নননা ওষ্ট্রেলিয়াগী দিফেন্সনা গ্লোবল ওইনা অমসুং রিজনেল ওইনা ওপরেট তৌখিগনি লোয়নননা পিছ অমসুং ষ্টেবিলিটি কায়হন্দনা থম্নবা ইন্টরনেসনেল লো ঙাক্লা চৎকনি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

# দোনাল্ড ত্রম্পনা মখোয়দা মখুৎনা মারকখি হায়না নুপী ৫ না মরাল শীখ্রে



ন্যু য়োর্ক, ওক্টোবর ১৩ :
য়ামদ্রবদা নুপী মঙানা দোনাল্ড ত্রম্পনা মখোয়দা সেক্স্যুঅল এসোল্ট অমসুং হেরাশমেন্ট চথখি হায়না মরাল শীখিবগা লোয়নননা মীখল নুমিৎ থা অমা ফাজিল্লত্রবা মতম অসিদা ৱাথোক তোইগল্লবা রিপব্লিকান প্রসিদেন্সিয়েল নোমিনি অসিগী পুক্নিং থৌগৎনিংঙাই ওইদবা কেম্পেইন অমুক্তা হেন্না লুশিনহনখ্রে।

মশাগী চহী ৭০ শুরবা ত্রম্পকী মায়োক্তা শীরক্লিবা মরালশিং অসি মহাক্কী মরমদা কুমজা ২০০৫ গী ভিদিও অমা থোক্লকখিবা নুমিৎ খরনিখক লৈরগনি। ভিদিও অদুদা ত্রম্পনা নুপীশিংগী মরমদা অকাম্বা ৱাহৈ-ৱাতা কয়া ঙাঙখি অমসুং মখোয়দা মখুৎনা মাবদা করিসু থোকখিদে মরমদি মহাক ‘ষ্টার’ অমনি হায়না ফোঙদোকখি।

ত্রম্পনা মখোয়দা মখুৎনা মারকখিবগী অকুপ্পা ৱারী-ৱাখোংশিং ন্যু য়োর্ক টাইমসনা ফোংখি। পাম বিচ পোষ্টনসু অতোপ্পা নুপী অমনা লিবা মান্নবা ৱারী অমা ফোংখি।

হান্নগী অপ্রেনটিস কনটেষ্টেন্ট জেন্নিফর মরফি অমসুং পিপল মেগাজিনগী অইবী নাটাশা ষ্টোইনোফনসু মহাক্কী মায়োক্তা মান্নবা মরালশিং শীখ্রে।

জেশিক লীদস (৭৪) না হায়খি, চহী ৩০ খরা হেনবগী মমাঙদা মখোয়নি ফ্লাইট অমদা অমগা অমগা সিট থংননা তোংমিন্নখিবদা ত্রম্পনা মঙোন্দা মখুৎ মাশিল্লকখি।

কুমজা ২০০৫ দা ত্রম্প টৱারদা বেজ তৌখিবা ফার্ম অমদা থবক তৌখিবা রাচেল ক্রুক ত্রম্পকা লিফট অমদা তোংমিন্নখি। মদুদা ক্রুকসনা মখুৎ শোক্তুনা ত্রম্পতা মশাবু শক্তাক্লবা হোৎনখি। মদুদা ‘অপ্রেন্টিস’কী ষ্টার অদুনা মতমদুদা চহী ২২ দা ঙাইরিবা ক্রুক্সকী মচিনবানদা অতম্বনা কিস তৌখি হায়না ক্রুক্সনা ন্যু য়োর্ক টাইমসতা হায়খি।

মিন্দি মেকগিলিস (৩৬) না পাম বিচ পোষ্টতা হায়খি মদুদি, চহী ১৩ গী মমাঙদা মহাক্কী ফ্লোরিদাদা লৈবা প্রোপর্টি মার-এ-লাগোদা পাঙথোকখিবা পার্টি অমদা ত্রম্পনা মঙোন্দা মখুৎনা মারকখি। অমরোমদা মর্ফিনা গ্রাজিয়াদা ফোঙদোকখি মদুদি, কুমজা ২০০৫ দা থবক্কী ইন্টরভিয়ু অমা লোইরকপদা ত্রম্পনা মহাক্কী মচিনবানদা কিস তৌখি।

য়ুমশকৈশাগী অহিংদা ফোংখিবা অশাংবা ৱারী অমদা ষ্টোইনোফ কৌবী নুপী অমনা কুমজা ২০০৫ দা ত্রম্প অমসুং মহাক্কী লোইনবী মেলানিয়াবু ইন্টরভিয়ু লৌনবা মার-এ-লাগোদা চৎখিবগী থৌদোক অমা নিংশিংখি। ত্রম্পনা মঙোন্দা চংশিল্লত্তুনা মহাকপু ৱালদা ইনশিল্লকখি।

নোংমাইজিং নুমিৎতা পাঙথোকখিবা প্রসিদেন্সিয়ল দিবেটতা ত্রম্পনা নুপীশিংদা সেক্স্যুঅল এসোল্টশিং চথখিবা লৈতে হায়না ফোঙদোকখিবা মতুংদা নুপীশিংনা থোক্লক্তুনা মখোয়গী ৱারীশিংদু লিনখিবনি।

ত্রম্পকী কেম্পেইননা ষ্টোইনোফকী ৱারী অদুবু শেমজিন-শাজিনবনি অমসুং ন্যু য়োর্ক টাইমসকী পিস অদুনা ফিক্সন অমসুং পুংলান লানবা ৱারী অমনি, কোওর্দিনেটেদ কেরেক্টর এসাসিনেসনগী থৌওংনি হায়রদুনা কন্দেম তৌখ্রে।

ত্রম্পকী উকিলশিংনা ন্যু য়োর্ক টাইমস সু তৌগনি হায়না কিহনখি।

# অমেরিকাগী ঈশৈ ইবা বোব দাইলননা লিটরেচরগী নোবেল প্রাইজ ফংখ্রে



ষ্টোকহোম, ওক্টোবর ১৩ :
অমেরিকাগী নিংথিরবা ঈশৈগী চৎনবীদা অনৌবা শৈরেংগী এক্সপ্রেসনশিং পুথোকখিবগীদমক্তা অমেরিকান শৈশকপা অমসুং শৈরেংবা বোব দাইলন্না লিটরেচরদা কুমজা ২০১৬ কী নোবেল প্রাইজ ফংখ্রে। বোব দাইলন অসি চহী ৫০ হেন্না খ্বাইদগী ফাওরবা অমসুং ঈথিল পীবা ঙম্বা ম্যুজিসিয়নশিংগী মনুংদা অমা ওইরকখি।

স্বেদিশ একাদেমিনা স্বেদিশ ক্রাউন মিলিয়ন ৮ (দোল্লর ৯২৭,৭৪০) গী প্রাইজ অদু শগোলশেল নুমিৎতা লাউথোকখিবনি। বোবপু এৱার্দ-তুগীদমক্তা খল্লে হায়না লাউথো-রকখিবা মতমদা থৌরমদুদা তিনখিবা জর্নেলিষ্টশিংনা হরাউ-তয়াম্বা শাংনা ফোঙদোক্লখি।

হৌখিবা চহী কয়ামুক অসিদা ফোক শৈশকপা অদু নোবেল প্রাইজগীদমক্তা মমিং পনবা কয়ারক য়াওখ্রবসু, মহাক প্রাইজ অদুবু য়াম্না থৱায় য়াওনা তান্নরকখিবা অমা ওইনদি উনখিদে। একাদেমীগী পার্মিনেন্ট সেক্রেটরি সারা দেনিয়সনা হায়খি, দাইলনগী ঈশৈশিং ‘নাকোংদদি শৈরেংশিংগা পাঙ্খক্লি।’

নোবেল প্রাইজ অসি কুমজা ১৯৪১ দা দুলুথ, মিন্নেসোটাদা রোবর্ট অলেন জিম্মরমেন হায়বা মিংগৌগা লোয়নননা পোকখিবা ইচম চম্না হৌরকখিবা শৈশকপা অসিবু শকখঙদুনা অমসুং ঈকায় খুম্নদুনা পীবা খ্বাইদগী নৌবা প্রাইজনি। মহাক মথন্তা হার্মোনিকা, গীটর অমসুং পিয়ানো তমজরকখি।

প্রাইজ অসি মমাঙগী চহীদা বেলারসিয়ন অইবী স্বেটলানা অলেক্সিভিচতা মহাক্কী ৱিট-নেসশিংগী ৱারোলশিংদা য়ুম্ফম ওইবা দোকুমেন্টরি ষ্টাইলগী ৱারীশিংগীদমক্তা পীখি।

# নোর্থ কোরিয়াগী ন্যুক্লিয়র প্রোগ্রামনা ঈচাউগী ভিক্তিমশিং তেংবাঙ ফংহন্দ্রি



সিওল, ওক্টোবর ১৩ :
নোর্থ কোরিয়াদা নিংথমথাগী মতম নকশিল্লকখিবগা লোয়নননা হন্দক্তা লৈবাক অদুদা থোকখিবা শাথিরবা ঈচাউ অদুনা মরম ওইদুনা হৌজিক মীওই ৬০০,০০০ রোম অথুবদা তেংবাঙ পীবগী তঙাই ফদবা লৈ হায়রি।

হৌখিবা সেপ্টেম্বর থাদা তুমেন তুরেলগী মনাক্তা ভিলেজ কয়া টাইফুন অমগী য়াম্লবা ঈশিংনা থুমজিনখি। তুরেল অদু চাইনা অমসুং রসিয়াগী বোর্দর পরিংদা চেল্লি।

নন-গভর্ণমেন্টেল ওর্গনাই-জেসনশিংগী রিপোর্ট মতুং ইন্না য়ামদ্রবদা মীওই ১৩৮ শিখ্রে। রিপোর্টশিংনা হায়রি মদুদি, মীওই ২০০ থিবা খঙদনা লৈরি অমসুং ঈচাউ অদুনা মীওই ৭০,০০০ নমদুনা ময়ুম-মকৈ থাদোকহনখ্রে।

মীওই খরনা মসিবু কুমজা ১৯৯০ গী মতুং চহী খরা লৈরগা থোকখিবা মহৌশাগী খুদোংথীবনা শোকহনবা খ্বাইদগী শাথিবা হ্যুমেনিটরিয়ন দিজাষ্টরশিংগী মনুংদা অমনি হায়না ফোঙদোক্লরি। মতমদুদা নোং চুবা ৱাৎপা অমসুং লৌ নিংথিনা লোক্তবদগী লৈবাক্তু শিন-থুংনা চাক তাংবা (চাবা ফংদবা) থোকখি।

হন্দক্কী ঈচাউ অদুদা য়ুম ২০,০০০ লোম, স্কুল কয়া অমসুং হোস্পিটাল কয়া অমাঙ-অতা থোকখ্রে। ঈচাউগী ঈশিংনা মহৈ লোক্কদবা কুইদ্রবা মহৈ-মরোং হেক্টর ৩০,০০০ রোম অমাঙ-অতা থোকহনখ্রে।

মালেমগী অঙাংশিংগী রাইটস ওর্গনাইজেসন অমা ওইরিবা সেভ দ চিলদ্রেনগী নোর্থ কোরিয়াগী প্রোগ্রাম দিরেক্টর পাওলো ফাতোরিনা হায়রি মদুদি, ঈচাউগী অনৌবা লৈফমশিং মথৌ তারি। পোৎশকশিং অসি মথংগী চয়োল খরা অসিদা হায়বদি লমদম অদুদা টেম্পরেচরগী চাং উন ওনবগী মখাদা হাইথদুনা লৈত্রিঙৈগী মমাঙদা ফংহনবগী তঙাই ফদবা লৈ।

এরিয়া খুদিংমক্তা তেংবাঙ পীবগী অকনবা তঙাই ফদবা লৈ মরমদি অৱাবগী থৌদোকসি কালেন থাগী মতম লোইশিল্লকপদা থোকখিবনি, ঐখোয়না শিজিন্ননবগী মতম ইরৈ লৈতে হায়না ফাটোরিনা ফোঙদোকখি।

য়ুনাইটেদ নেসন্স চিলদ্রেন্স ফন্দ অমসুং অতৈ ওর্গনাইজেসনশিংনা দোল্লর মিলিয়ন ২৮.২ গী তেংবাঙ কৌরি। হৌজিক নোর্থ কোরিয়াবু মতেং পাংনবগী ফন্দ ওইনা দোল্লর মিলিয়ন ৬.৫ দমক খোমগৎপা ঙম্লি। হ্যুমেনিটরিয়ন ওর্গনাইজেসনশিংনা অসি হৌজিক তঙাই ফদনা চঙগদবা চাংদুদগী য়াম্না হন্থরি হায়রি।

নোর্থ কোরিয়াগী হ্যুমেনিটরিয়ন তেংবাঙগী শেল খোমগৎপা হায়বসি য়াম্না লুবা থবক অমনি। মসিগী মরু ওইবা মরমদি লৈবাক অসিগী ন্যুক্লিয়র খুৎলায়গী প্রোগ্রামনি। কুমজা ২০০৬ তগী নোর্থ কোরিয়ন গভর্ণমেন্টনা ন্যুক্লিয়র চাংয়েং মঙা পাঙথোকখ্রে। চাংয়েংশিংদুগী মনুংদা অনীদি চহী অসিদা পাঙথোকখি। নোর্থ কোরিয়ানা চহী অসিদা কংফালদা বেজ তৌবা অমসুং সবমেরিন্দগী লোঞ্চ তৌবা মিসাইল চাংয়েংশিং পাঙথোকখ্রে। মদুনা মরম ওইদুনা য়ুনাইটেদ নেসন্সকী সিক্যুরিটি কাউন্সিল, সাউথ কোরিয়া অমসুং য়ু এসনা নোর্থ কোরিয়াদা অথিংবা কয়া থমখ্রে।

য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী য়ুনাইটেদ নেসন্সতা থাবা এম্বেসেদর সমান্তা পৱারনা সাউথ কোরিয়াদা খোঙচৎ অমা চৎখি।

মহাক্না নোর্থ কোরিয়াগী মায়োক্তা ইন্টরনেসনেল ইকনোমিক সেঙ্কসনশিং অমসুং মিলিটরি দিফেন্স হেনগৎপগী তঙাই ফদবা পনখ্রে। লৈবাক অদুদা ওফর তৌগদবা ইম্মরজেন্সিগী তেংবাঙ অদু মথৌ তারিবা মীয়ামদা থাঙ্গৈশেংনা য়ৌগদৌরিব্রা হায়বদু চিংনিনিংঙাই ওই হায়না পৱারনা ফোঙদোকখি।

হ্যুমেনিটরিয়ন ওর্গনাইজেসনশিংনা হায়রি মদুদি, নোর্থ কোরিয়াগী তেংবাঙ অদু ভিক্তিমশিং অমসুং অশোকপা মফমশিং মতেং পাংবদা হকথেংননা শিজিন্নে। শেনফম অদু গভর্ণমেন্টদা শিন্নদে নৎত্রগা গভর্ণমেন্টবু কন্ট্রোল তৌহন্দে হায়না মখোয়না ফোঙদোক্লি।

# বোকো হারামনা চিবোককী স্কুলদগী ফাখিবা নুপীমচা ২১ নাইজেরিয়ন গভর্ণমেন্টদা শীন্নখ্রে



অবুজা, ওক্টোবর ১৩ :
মীয়াম্না কিনরবা বোকো হারামনা ফাখিবা স্কুল তম্লিবা নুপীমচা ২১৯ চহী ২ হেল্লবগী তুংদা লৈবাক অদুগী লৈঙাক্লা নুপীমচা অমখক্তমক কনবা ঙমখি।

চহী ২ হেনবগী মমাঙদা বোকো হারামনা নাইজেরিয়াদা ফাখিবা চিবোক্কী স্কুল তম্লিবা নুপীমচা ২১৯ গী মনুংদা ২১ দি গভর্ণমেন্টগী কষ্টদিদা থাদোরকখ্রে হায়না সিনিয়র ওফিসল অমনা শগোলশেল নুমিৎতা ফোঙদোকখি।

নুপীমচাশিংদু করম্না রেস্ক্যু তৌখিবগে হায়বা খুদক্কী ওইনা খঙবা ঙমখিদে, তৌইগুন্বসুং নাইজেরিয়ন মিলিটরিনা সামবিসা ফোরেষ্টকী বোকো হারামগী ষ্ট্রোংহোল্ডদা ওপরেসন অমা পাক-শন্না হৌখ্রে।

এপ্রিল ১৪,২০১৪ গী অহিংদা চিবোক্তা লৈবা গভর্ণমেন্ট গার্লস সেকেন্দরী স্কুলদগী মহৈরোয় নুপীমচা ২৭৬ বোকো হারামনা ফাখি। ফারবা মতুং পংকান কান্নদনা নুপীমচা ৫৭ লালহৌবশিংদুগী মখুৎতগী নাম্থোকখি।

হৌজিক ফাওবদা অতোপ্পা নুপীমচা অমখক্কসু রেস্ক্যু তৌবা ঙম্লি। ফাখিবা মতমদা মশাগী চহী ১৭ শুখিবা অমিনা অলি সিভিলিয়ন ভিজিলেন্টীশিংনা হৌখিবা মেদা থেংনখি অমসুং মহাক ফাদুনা থল্লিঙৈদো মচা উনখিবগী ফীভমদা থেংনখি।

বোকো হারামদা হৌখিবা ওগষ্টতা রিলিজ তৌখিবা ভিদিও অমনা কিদ্নেপ তৌখিবা নুপীমচাশিংগী অতৈ লেমহৌরিবা অঙাংশিং অদু উৎখি। মদু মখোয়বু ফাখিবদগী ফংখিবা লাইফ ভিদিওগী অমত্তা ঙাইরবা অনীশুবা প্রুফনি।

ভিদিও অদুদা মিলিটেন্ট অমনা নুপীমচাশিং অদুবু থাদোকপদা বোকো হারামগী ফাইটরশিংসু থাদোক্কদবনি হায়না দিমান্দ তৌখি। গ্রুপ অদুগী কম্পাউন্দশিংগী মনুংদা অমদা চথখিবা নাইজেরিয়ন ষ্ট্রাইকশিংদা চিবোক্কী নুপীমচা মঙা শিখ্রে হায়নসু মহাক্না ক্লেম তৌখি।

চিবোক্কী নুপীমচাশিংবু ফাখিবগী থৌদোক অদুনা মালেম শিন-থুংনা খোইরাং খোইশাওনহনখি অমসুং ব্রিং বেক অৱার গালর্স মুভমেন্ট হৌখি লোয়নননা বোকো হারামগী লালহৌদা মালেমগী মিৎয়েং চঙনরকখি। কুমজা ২০০৯ দগী হৌরকখিবা লালহৌ অদুদা লালহৌবশিংনা মী ফাববু খুৎলায় অমা ওইনা হঞ্জিন হঞ্জিন শিজিন্নখি। হৌজিক ফাওবদা লালহৌবগী ঈরাং অদুদা মীওই ২০,০০০ শিখ্রে।

# য়ু এস নেভিনা রেবেলশিংগী সাইটশিংদা টোমহোক মিসাইলশিং কাপশিনখ্রে

ৱাশিংটন, ওক্টোবর ১৩ : য়ু এস নেভিনা শগোলশেলগী অঙনবদা য়েমেনগী কোষ্টেল রাদর সাইট অহুম টার্গেট তৌদুনা রেদ সিদগী টোমহোক মিসাইলশিং কাপখ্রে অমসুং চয়োল অসিদা য়ু এসকী সিপশিংদা রেবেলশিংনা মিসাইল এটেকশিং চথখিবদা চেন্নবা টার্গেটশিং থুগাইখ্রে।

মিসাইলশিং অদু অয়ুক পুং ৪ রোম তাবগা দেসট্রোয়র য়ু এস এস নিটজিদগী বাব এল-মান্দেব ষ্ট্রেটকী অৱাংদা লৈবা মফম অহুম তম্না কাপখি হায়না পেন্টাগন্না ফোঙদোকখি।

প্রসিদেন্ট বারাক ওবামানা মিসাইল ষ্ট্রাইকশিং অদু দিফেন্স সেক্রেটরি অশটনৈ কার্টর অমসুং মরিন জেনরেল জোসেফ দনফোর্দ, চ্যেরমেন ওফ দ জোইন্ট চীফস ওফ ষ্টাফকী রিকমেন্দেসনশিংগী মতুং ইন্না ওথোরাইজ তৌখিবনি।

‘মসিগী মরু ওইবা মেরিটাইম পেসেজৱে অসিদা ঐখোয়গী পার্সোনেল, ঐখোয়গী সিপশিং অমসুং ঐখোয়গী নিংতম্না নেভিগেসন তৌবগী রাইট কঞ্জনবগীদমক্তা মসিগী লিমিটেদ সেল্ফ-দিফেন্স ষ্ট্রাইকশিং অসি পাঙথোকখিবনি’ হায়না কুকনা হায়খি।

য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা ঐখোয়গী সিপশিং অমসুং কমর্সিয়ল ট্রাফিকতা মখা তানা অকিবা পোকহল্লকপদা রেস্পোন্দ তৌগনি অমসুং রেদ সি, বাব অল-মান্দেবতা লোয়নননা মালেমগী অতৈমফমশিংদা মখা তানা নিংতম্না নেভিগেসন তৌগনি।’

ষ্ট্রাইকশিং অদু ৱাশিংটনদা য়ুমশকৈশাগী অথেংবদা লাউথোকখি। দিফেন্সকী ওফিসল অমনা হায়খি, রাদর সাইটশিং অদু হৌথি রেবেলশিংনা পায়শিনবা মনুং হঞ্জিনবা এরিয়াশিংদা লৈ অমসুং মফমশিং অদুদা মীচমশিংদা মীশি-মীনা অমত্তা থোক্লিংঙাই লৈতে। ইক্বিপমেন্ট অদু মুখাগী অৱাংদা, রাস ইসাগী মনাক্তা অমসুং খোকাগী মনাক্তা খিনখিবনি। লোইনমক য়েমেনগী নোংচুপ থংবা কোষ্টলাইন্দনি হায়রি।



HL-B/3329/20/09-19/10

## EMPLOYMENT NEWS

### GAIL Recruitment 2016 – 233 Junior Engineer, Foreman, Officer & Various Vacancies – Last Date 05 November

**GAIL Recruitment 2016**

GAIL (India) Limited invites application for the post of 233 Junior Engineer, Foreman, Officer & Various Vacancies. Apply Online before 05 November 2016.

Advt. No. : GAIL/OPEN/MISC/4/2016

**GAIL Vacancy Details :**

Post Name : Junior Engineer
No. of Vacancy : 05 Posts
Pay Scale : Rs. 16300-38500/-
Post Name : Foreman
No. of Vacancy : 112 Posts
Pay Scale : Rs. 14500-36000/-
Post Name : Officer
No. of Vacancy : 15 Posts
Pay Scale : Rs. 20600-46500/-

**Eligibility Criteria for GAIL Recruitment :**
Educational Qualification :
For Junior Engineer : Diploma in Engineering in the relevant discipline with 55% marks for SC/ST candidates and 8 years post qualification experience in relevant field.
For Foreman : Diploma in engineering in relevant discipline with 60% marks and two years post qualification experience in relevant field.
For Officer : Bachelor degree of minimum 03 years duration with minimum 60% marks with 3 years post qualification experience.
Nationality : All India

**Age Limit : As on 05.11.2016**
For Junior Engineer & Officer : 45 years
For Foreman : 32 years

**Age Relaxation :**
For OBC Candidates : 3 years
For SC/ST Candidates : 5 years
For PWD Candidates : 10 years

**Job Location : All India**

**Selection Process :** Selection will be made on Online Test, Computer Proficiency Test, Trade Test & Written Test.
**Application Fee :** Candidates belonging to General /OBC (NCL) have to pay Rs. 200/- (for the post of Officer) & Rs. 50/- (for other posts) through online. SC/ ST and PWD candidates are exempted from payment of application fee.
**How to Apply GAIL Vacancy :** Interested candidates may apply Online through GAIL website www.gailonline.com from 06.10.2016 to 05.11.2016.

**Important Dates to Remember :**
Starting Date for Submission of Online Application : 06.10.2016
Last Date for Submission of Online Application : 05.11.2016
**Important Links :**
Detail Advertisement Link : http://www.gailonline.com/final_site/pdf/FINAL%20ADVERTISMENT%20ADVT.%20NO%20GAIL_OPEN_MISC_4_2016%20(233%20POSTS)%20061016.pdf
**Apply Online :** http://www.gailonline.com/final_site/pop/pop.html

### Staff Selection Commission – SSC Recruitment 2016 – Combined Higher Secondary Level (10+2) Examination, 2016 (5134 Vacancies) – Last Date 07 November

**SSC Recruitment 2016**

Staff Selection Commission (SSC) invites applications for the post of Combined Higher Secondary Level (10+2) Examination, 2016 in 5134 Vacancies for Recruitment of Postal Assistants/ Sorting Assistants, Data Entry Operators, Lower Divisional Clerks and Court Clerk. Apply Online before 07 November 2016.

Advt No. : 3/2/2016-P&P-I.

**Job Location : All India**

**Job Details :**

Post Name : Postal Assistants/Sorting Assistants
No of Vacancy : 3281 Posts
Pay Scale : Rs. 5200-20200/-
Grade Pay : Rs. 2400/-
Post Name : Lower Division Clerk
No of Vacancy : 1321 Posts
Pay Scale : Rs. 5200-20200/-
Grade Pay : Rs. 1900/-
Post Name : Data Entry Operators
No of Vacancy : 506 Posts
Pay Scale : Rs. 5200-20200/-
Grade Pay : Rs. 1900/- OR Rs.2400/-
Post Name : Court Clerk
No of Vacancy : 26 Posts
Pay Scale : Rs. 5200-20200/-
Grade Pay : Rs. 1900/-

**Eligibility Criteria for SSC Recruitment :**
Educational Qualification : Candidates Must have passed 12th Standard or equivalent examination from a recognized Board or University.
Nationality : Indian
Age Limit : 18 to 27 years as on 01.01.2017.

**Age of Relaxation :**
SC & ST Category : 5 years
OBC-NCL Category : 3 years
Ex-Servicemen Category : 03 years

**Selection Process :** Selection based on Written Examination & Skill Test.
**Application Fee :** Candidates have to pay Rs. 100/- through net-banking/credit cards or debit cards or cash through SBI bank challan. Women candidates and candidates belonging to Scheduled Caste, Scheduled Tribe and Ex-Servicemen eligible for reservation are exempted from paying fee.
**How to Apply SSC Vacancy:** Interested candidates may apply Online through SSC website www.ssconline2.gov.in OR http://sscregistration.nic.in. from 08.10.2016 to 07.11.2016.

**Important Dates to Remember :**
Starting Date For Submission Of Online Application : 08.10.2016
Last Date For Submission of Online Application : 07.11.2016
Date of Computer Based Examination (Tier-I) : 07.01.2017 & 05.02.2017
Date of Tier-II (Descriptive Paper) : 09.04.2017
**Important Links :**
Detail Advertisement Link : http://ssc.nic.in/SSC_WEBSITE_LATEST/notice/notice_pdf/CHSLE_2016_Notice_english.pdf
**Apply Online :** http://164.100.129.99/chsl/